# লমদমসিগী চাওখৎ-থৌরাংগী রোদ মেপ অমা

***লমদম*** অসিদা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপ তৌনবা ইনষ্টিট্যুসন খরদি লৈরে। মেদিকেল, এঞ্জিনিয়ারিং, মেনেজমেন্ট অমদি অতৈ কয়া অমা মণিপুরদা হৌজিক্তি লৈরে হায়বা য়াই। লুরিবদি হাথু-হাথু মার্কেত্তগী অমদি লৈরিবা খুন্নাইদগী নীংথিনা কূপ্না দেটা লৌদনা শেন্বা মেনিফেষ্টো নৎত্রগা ভিজন দোক্যুমেন্টনা লমদম অসি করম্না চাওখৎপা অওনবা লমদম অমা ওইহনগদৌরিবা!

লমদম অমা চাওখৎহন্নবা কয়াৎ য়াৎপা অমসুং মায়কৈ অদুদা শেল, হ্যুমেন কেপিটেল অমসুং মেটরিয়েল থাদবা হায়বসি অচৌবা য়াম্না অখন্নবা ভেঞ্চর নৎত্রগা ইন্তরপ্রাইজ অমনি। হায়রিবা ইন্তরপ্রাইজ অসি কনানা মতৌ করম্না লেপখ্রবগে? শুপ্নগী মতম মতমগী পংতৌ মতৌবা হায়বদু তাগদরা চিংনদবা ঙমদে। মরমদি মণিপুরদা লৈরিবা চৎন-কাঙলোন অসিদদি ঙসি ফাওবদা লমদম অমা চাওখৎহনবদা চঙবা য়াম্নমক মরুওইরিবা 'পর্সনেল মেনেজমেন্ট' কী ৱাফম অসিদি শুকহৌমক মহৌদ্রি। পুং থেংনা কাবা, ঙন্না হনবা মশা মশানা অপাম্বতা মতৌবা অদুগা থবক কন্না শুবগী ইন্সেন্টিভ লৈতবা মওংসিদা হ্যুমেন কেপিটেল অসি করম্বা মফমদা কনানা কদায়দা য়েংশিল্লিবগে! মথঙদা ইন্তরপ্রাইজ অসিগী শেল থুমগী কেপিটেলনা কনাদগী কয়া পুরগা কয়া য়াম্না প্রোফিট লাক্কনি হায়বসু ময়েক ইশেংমক শেংদ্রি। ইশম শম্না নীরুরগা পীরকপা খরদুনা শিল্লগা হিংবা লমদম অমা হৌজিকসু ওইবদা নত্তনা ওইরিবা সোসিও-ইকোনোমিক্কী মওং অসিদা কনানসু মফম অসিদা শেল ইনভেষ্ট তৌনীংদ্রি। সোসিও-ইকোনোমিক্কী মওং ফত্তবগী মথক্তা অমুক ত্রাইএল ওইনা থৌনা লৈনা থাদরকখিবা জপানগী ইনভেষ্টমেন্ট অমা ৱার্ক কলচর লৈতবা অমদি মেনেজেরিয়েল কেপাসিটি লৈতবদগী অরেম্বদা মখা ইনভেষ্টমেন্ট ফংখিদবা অচৌবা লমদমসিগী লৈহাওগা চানবা প্রোজেক্ট অমা লৈখ্রে। মসিদগী ঐখোয় পাড়া ফাখ্রবরা - ফাদ্রি হৌজিকসু! উচি ৱারেপ্তা মতমসিগা য়াম্না চুনদ্রে, য়াম্না ৱারক-ৱাতেম হৈবা কম্মিটমেন্ট লৈবা মীওইশিং অমদি অফবা ৱার্ক কলচর অমা লৈবা লমজিংবা মী অমা নৎত্রগা মীওই গ্রুপ অমনা হৈশিংনা মতমসিগা চূননা শেমদোকপা-শাজিনবা নত্তনদি থাঙগী থাঙলোন্না লৈবাক্কী লৈঙাক চলাইবদি লমদমসি হেন্না হেন্না মরাই চাইথরক্কনি। হৌজিক পায়খৎলিবা ৱর্ল্ড বেঙ্ক অমদি এসিয়ন দিভলপমেন্ট বেঙ্ককী প্রোজেক্টশিংদা হৈশিংনা মেনেজ তৌবা অমসুং মহয় ফংনবা হোৎনদ্রবদি শেন্দোল ওইনা লৈহৌগনি।

ইন্তরপ্রাইজ অমা পায়খৎপদা শেল অমদি হ্যুমেন কেপিটেল চঙবগুম লমসু য়াম্নমক মথৌ তাই। মণিপুরদা লমগী পাক চাউবা অমদি মীশিং পাথোক্লবদা য়াম্নমক নুংনাংনিংঙাইমক্তি ওইদ্রি। মরমদি মীশিং অসি চাংচৎতা অতৈ চাওখৎপা লমশিংদগী হেনবা নৎত্রি হায়বদি লম মরাং কায়রি। লুরিবদি লম শীজিন্নবগী মওং অমদি মসিগী (লমগী) মপূ ওইবগী চৎন-কাঙলোন অসিনি। লম শীজিন্নবগী মওংদি লম লমশিংদুগী লৈবাক লৈহাও, মওং মতৌগী মতুং ইল্লি অদুবু লম মপূ ওইবগী চৎন-কাঙলোন অদুদি লোগী মতুং ইল্লি। অকোনবগী অসিদি লমদুগী মীওইশিংদুবু ৱাখল তাহনবা অমসুং চুনবা মওংদা লমজিংবগী মখা পোল্লি। ওইথোক্তবা হায়বা লৈতে।



নোংমাইথেম নোরেন

লমদম অসিদা লৈরিবা ঙসিগী পাউদম অসিবু পাবিরিবা অমদি ইজরিবা ঐখোয় অয়াম্বা কুনশুবা চহীচাগী মীওইনা অয়াম্বনি। লুরিবদি পাক চাওরবা মালেম অসিগী চৎনরিবা খোঙচৎ অসিদি কুনমাথোইশুবা চহীচাগী চাওখৎলবা য়াঙলবা খোঙচৎনি। গ্লোবেলাইজেসনগী মতম অমদি এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী ৱাফম্না ফোঙ-ফোঙ শারবা, মণিপুরদা রেলৱেজ লাক্কদৌরবা মতমসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী লমদম অসিদা করম্বা 'লিগেসি' অমা থল্লমগদৌরিবনো! শুপ্নগী চহী মঙাগী ভিজন দোক্যুমেন্ট নৎত্রগা মেনিফেষ্টোদুখক্তরা হংবা য়াই। ফোঙদোক্লিবা লম্বীদুগা খুন্নাইসিগী নহারোলগী মথৌ তাবদুগা চানরব্রা। ইনফি অঙাঙবা পামজবা মীদা ইনফি হিগোক মচু পীবা ওইনা থোক্লগদি মদু কান্নগদ্রা- পূম্নমক নৈননীংঙাইনি। মরমদি অপাম্বদুগা চানরমদ্রবদি রিএক্সনরি ওইবা মচাক কয়া থোক্লক্তুনা মতম কয়া অমা অমুক মাঙখিগনি। ঐখোয় মতম মাঙহনবা য়ারিবরা ঙসিগী ইন্টরনেট, কম্প্যুটর অমদি আই টিগী মতম অসিদা- শুকয়ামক য়াদ্রে হায়নীংঙি। য়াই হায়রগনা মচাশু-ইচাশু মাঙজহৌবা তাবনি!

ইজরিবা ঙসিগী ৱারেং অসি এপোলিটিকেল অমা ওইনা লমদমসিগী চাওখৎ-থৌরাংগী রোদ মেপ অমা ত্রাইএল ওইনা পীজগে। মফম অসিগী ওইবা চাওখৎ-থৌরাংদা মতেং পাঙশিনগদবা পোৎশক, হীরম খরদং মখাদা পীজবগা লোয়ননা মুক্লবা খরা অমদি করম্না সোলুসন খরা পুরকপা য়াগনি হায়বদু থমজগে।

**মতেং ঃ**

(ক) লমদম অসিগী ঈশিং নুংশিৎ য়াম্না শেংনা লৈ অমদি লৈবদা হকচাং ফবা লমদম অমা ওই। শুবা নোম্বদা হকচাংদা চোকথবা ফাওদে; কা হেন্না ঈংদে, কা হেন্না শাবসু ওইদে।

(খ) লমদম অসিগী লৈবাক-লৈহাও মহৌশানা ফৈ অমদি নোং-চীং মরাং কায়না তাবনা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈতে। ৱাটর হার্ভেসটিংগী পোতেন্সিএল য়াম্না ৱাংই।

(গ) লমদম অসিদা মরুওইনা চীংগী লমদা খনিগী পোথোক ইন্দষ্ট্রি তৌবা য়ানা মরাং কায়না ফংঙি। ইমপ্লোইমেন্ট জেনরেসন অমদি শেনমিৎলোন ফহনবদা মতেং চাউনা ওইগনি।

(ঘ) উমংগী ওইবা পোথোক্তা লী-ৱা অমদি রবর থাবদা চূনবা মফম মরাং কায়না লৈ। চূনবা অচৌবা ইন্দষ্ট্রি লিংবা য়াই।

(ঙ) ইনভেষ্টমেন্টকী মতাংদা অনৌবা ময়াম্না য়াম্না কম্পিটিসন কন্না তৌনবা মফম অমা ওইদ্রিবনা শেল থাদনবগী লম্বী অনৌ অনৌবা কয়া মরাং কায়।

(চ) চম্প্রা, কমলা, কিহোমতা নত্তনা অতৈ মগুণ লৈবা হৈ-রা কয়া ফংঙি। অপিক অপিকপা কারবার তৌবা য়াই।

(ছ) লোক্তাক পাৎ অমদি অতৈ কনবা য়ারিবা পাৎ কয়া লৈ। ইকনোমিক পোটেন্সিয়েল ঙাক্তনি।

(জ) য়াম্না মরুওইবা ইন্দিয়াগী গেটৱে-টু-সাউথ-ইষ্ট-এসিয়া ওইবনা ফোরেন লৈবাক কয়াগা ললোন-ইতিক তৌবগী খুদোংচাবা কয়া লৈ।

(ঝ) মহৈ-মশীন তম্বা, স্কিল হেনগৎহনবা য়াবা স্কুল-কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি কয়া নৌনা লিংখৎলক্তুনা কান্নরবা হ্যুমেন কেপিটেল শেম্বগী খুদোংচাবা মতিক চানা লৈরে। লোয়ননা লমদমসিগী মীওইশিং অসি মখূৎ মশা হৈগল্লি অমসুং হেন্দলুম-হেন্দিক্রাপ্টকী মমাঙঙৈদগী হৌনা চাউরবা ইন্দষ্ট্রি অমা লৈজবা কুইরে। আই ক্যু ৱাংবা ফুরুপসু ওই।

**মুক্লবা (চেলেঞ্জেস) ঃ**

(ক) খ্বাইদগী চাওবা চাওখৎ-লম্বী য়াৎপদা খুরৌ থাংলিবসি কাঙলুপ কাঙলুপ নাইবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন লৈতবা অসিনি। ফুরুপ মচা কয়ানা অচৌবা ফুরুপ অমা শেমগৎনবা হোৎনরক্লিবসি 'দাইনামিক হিষ্টরিকেল প্রোসেস' অমনি। মসি মুন্না খঙবগা লোয়ননা দিসএদভান্টেজদগী এদভান্টেজ ওইনা ওন্থোক্লবা পোরম অমা য়াৎপা হায়বসি ভিজরি থিঙ্কিং অমগী মথৌনি। অরাইবদি নত্তে অদুবু পুকচেল তিংবা অমদি প্রেগমেটিক পোরম অমা চঙই। থাংলিবা খুরৌ অসি লৌথোক্লবদি চাওখৎপগী ফ্লদগেৎ অমা হাংবগা চপ মান্নে। হায়রিবা ফ্লদগেৎ অসি হাংনবগী অমত্তা ঙায়বা উপায় এদ্যুকেসননি অমসুং সোসাইটি অসিদা অনধবিশ্বাসতা থাজবা মাঙহন্নবা সাইন্টিফিক টেম্পর অমা পুরকপনি। মতাং অসিদা য়েংগদবদি চীংদা-মান্দা নুপী অঙাংগী মহৈ-মশীন মতৌ করম তৌরি, করম্না ইফেক্টিব প্লান্নিং তৌগনি হায়বসিনি।

(খ) চাওখৎপদা মতেং চাউনা পাঙগদবা ইনর্জি মরাং কায়দে। অনৌ অনৌবা ইনর্জি লৌনবা টেক্নোলোজি থুনা য়াঙনা পুরকপা য়াম্না মথৌ তাই। শন্দোক্লা হায়নীংঙাই লৈতে।

গ) ঈশিং-নুংশিৎ ফরবসু লমদমসিগী মীওই অয়াম্বা ৱাখলদি তুফক-তুফাই চল্লি। করি-করি লম্বী লৈবগে হায়বা খঙজদে। খঙলবসু কেপিটেল, ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈতে, মার্কেট লৈতে। লৈঙাক্কী চুনবা স্কিম ময়াম অমনা ইন্টর্ভেন্সন তৌবা মথৌনি। মেনেজমেন্ট ত্রেনিং কয়াসু ওর্গেনাইজ তৌগদবনি।

ঘ) খাইবুং-খাইবুং তারিবসি ৱাখল লম্বী-থোং ফরবদি থুনা-য়াংনা কোকপা ঙমগনি লোয়ননা অমগা-অমগা নকশিন্নরক্তুনা নুংশিনরক্কনি। লম অমা চাওখৎলগা লম্বী-থোং ফগদবা নত্তে; লম্বী-থোং ফরগা লম অমা চাওখৎলক্কনি।

ঙ) বেঙ্কিং ইন্দষ্ট্রি চাওখৎনবা হোৎনগদবনি। মসিগী কান্নবা মপান নাইদনা ফংগনি।

চ) প্লান্নিং সেক্তর অমা নীংথিনা মথৌ হাপ্পা চঙই। মতিক চাবা মীওইশিং লৈঙাক্কী রোলদা লৈবা নত্তবা নৎত্রগা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টতদা লৈবা নত্তবা এক্সপার্টশিংগী কম্মিটি মতাং মতম চানা শেমগদবনি।

ছ) ৱাটর মেনেজমেন্ট লার্জ স্কেলদা পায়খৎকদবনি।

অরোইবদা ঐখোয়গী ইচা ইশুশিংগী মফমদা অফবা 'লিগেসি' অমা শীন্নরম্নবা 'নেসনল কনভেন্সন' হায়গেরা 'ইষ্টেট কনভেন্সন' হায়গেরা অমা লাক্কদৌরিবা লুচিংবশিংনা মতম অমদি লৌশিং থাদদুনা কম্পার্মেন্টেলাইজ তোপিকশিংদা পাঙথোকপা য়াম্না মথৌ তাই। মপান লমগী প্লান্নিং/মেনেজমেন্ট গুরুশিংসু য়াওহনসি। ঐখোয়গী নহারোলশিংনা পাল্লিবসি ইফিসিয়েন্ট ওইবা, থৌদাং মশক খঙবা, পর্ফোম তৌবা লুচিংবশিংনি হায়বসি কাউরগুমসি। থেংমল্লবনি; টেষ্ট সেরিঞ্জগী মতম নত্তে, টি-২০ গী মতমনি হায়নীংই।

# পাড়া অমা তন্বীহৌরসি


**- থৌনাওজম মনোরঞ্জন সিংহ-**

**হৌখিবা** কুমজা২০১৬ কী জান্যুৱারী ৪, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক অঙনবা পুং ৪.৩৫ দা তমেংলোংগী কবুই খুল্লেন পার্ট ৱান্দা ইপিসেন্টর ওইবা রিক্টর স্কেলদা ৬.৮ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা মীওই ৮ শিখি অদুগা মীওই কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখি, য়ূম-কৈ কয়া অমা নীংখায়হন্দুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। নুমিৎ অদুদা হাখিবা য়ুহা অদুনা অমাঙ অতা থোকহনখিবসি অয়াম্বনা লৈঙাক্কী বিল্ডিংশিং অমসুং লৈঙাক্লা শাখিবা কুইদ্রিবা কৈথেলশঙশিংনা অয়াম্বা ওইখি।

হাখিবা য়ুহা অদুগী ইপিসেন্টর অদু মণিপুরগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা নোনেদগী কিলোমিটর তরারোম চৎলগা লৈবা কবুই খুল্লেন পার্ট ৱান্দা ওইখি। মতাং অসিদা য়াম্না ঙক্লিবদি, হায়রিবা য়ুহা হাবা অদুনা লমদমসিগী মায় ওইনা পৈশা য়াম্না চঙনা শাদুনা কুমজা ২০১০ গী নবেম্বর থাদা শ্রীমতি সোনিয়া গান্ধীনা শঙ্গাখিবা খ্বাইরম্বন্দগী ইমা কৈথেল অহুম অসি পুরা নীংখাইবমক নৎত্রবসু শাথিনা অমাঙ অতা থোকহনখিবদুনি। মালেমদা অমত্তা ঙাইরবা নুপীশিংগী কৈথেলশঙশিং অসিগী অকোয়বা হায়বদি ইম্ফাল সিটিসিগী মনুংদা লৈরিবা চহী ৫০ হেল্লক্লবা বিল্ডিংশিং অমসুং মসজিদ রোদকী মনিং থংবা নম্বুল তুরেল খোঙবান্দা শারিবা বিল্ডিংশিং অসিনা নীংখাইদ্রগা শঙ্গাবা চহী তরুকলোমতা ঙাইরিবা ইমা কৈথেলশঙশিং অসিনা কমদৌনা অমাঙ অতা থোকখ্রিবনো হায়বসিনি। তশেংনা তমেংলোংদা ইপিসেন্টর ওইখিবা অদু নৎতবা অতোপ্পা ইপিসেন্টর অমসু খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা কৈথেলদসু ওইখিবজাৎলা?

হাখিবা য়ুহা অদুনা অয়ূক অঙনবা নত্তবা কৈথেলদা মী য়ঙ-য়ঙ লাউনা তিনখৎলকপা মতম নৎত্রগা সেকেন্দ খরদংগা চোন্থনা হারম্বা থোক্লবদি কৈথেলশঙশিং অসি পুরা পুরী নীংখায়রক্তুনা মী ময়াম অমা শিরম্বা য়াই অমসুং কয়া অমনা অশোক অপন নংহল্লম্বা য়াবগী অকিবা লৈখি। অদুমকপু লাইবক ফবদগী মদুমক্তি থোকখিদ্রে। তশেংনা মহৌশা লাইরেম্বীনা মরাল লৈজদ্রবা মীচম মীয়াম অমবুদি কনবিরে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী কৈথেলশঙ অহুমসি নত্তনা লৈঙাক্কী বিল্ডিংশিং খুদম ওইনা শাবা কুইখিদ্রিবা বি এস এন এলগী বিল্ডিং লোয়ননা অতৈ লৈঙাক্কী বিল্ডিং কয়া অমা চেকখায়খিবা, কিন্থখিবা অমসুং লম্ফেলদা লৈবা লৈঙাক্কী ক্বার্টরশিং, চেকপলশিং কিন্থখিবা অমসুং চেকখায়খিবা লোয়না লোয়ননা শাবা কুইখিদ্রিবা লমলোংগী কৈথেলশঙ, কোংবা কৈথেলগী শঙ, বিষ্ণুপুর কৈথেলগী মার্কেট সেদনচিংবদা অমাং অতা থোকহনখিবসিনা লৈঙাক অসিনা তৌখিবা থবক থৌরমশিং পুকচেল শেংনা মীচম মীয়ামগী খল্লগা তৌখিদে হায়বা ময়েক শেংনা তাক্লি।

য়ুহা হাখিবনা মরম ওইদুনা অতেক অকায় থোকপদগী কৈথেলশঙ অনীদা মী অমত্তা পোৎফম ফমহন্দ্রে। মতম খরগী ওইনা মফম চাই চাদে খঙদনা থাঙ্গাল কৈথেলগী লম্বী ময়ায় চবুক্তা তেম্পররি মার্কেট সেদ শাগনি হায়না মখোঙ হৌবা হৌরুরবনি। মতম অদুগীনা বি জে পি ওইরম্বা হৌজিক্লা কোংগ্রেস ওইখ্রবা মীওই অমনা মফম চাদে হায়না চুম্না মরৈ য়েৎলকপদগী থাঙ্গাল কৈথেলদা টেম্পরেরি মার্কেট সেদ অদু শাখিদ্রে, মফম য়াম্না চাবা কাংজৈবুং মমাঙ অমসুং জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মনিংদা চৎলিবা লম্বী, মণিপুরগী মফম অমদা মৈহৌ লাংপোক থোকপদা ফায়র বৃগেটকী গাড়ী থৌদোক থৌজিন তৌনরিবা য়াম্না মরুওইরিবা লম্বী অসিদা টেম্পরেরি মার্কেট সেদ শাখ্রে। জোনষ্টোন অমসুং কাংজৈবুংগী চেকপল অনীগী মরক্তা ফুট ৪২ রোম পাকপা অমসুং ফুট ৫৮৮ শাংবা মফম অসিদা য়ূম্ফম হৌগৎতুনা সেদ অহুম খা-ৱাং শাংনা শারি অমসুং কাংজৈবুংগী চেকপল অমসুং জোনষ্টোনগী চেকপল ফাওবা তপথরি। মার্কেট সেদ অমমমদা মনিং মনিং ওনশিন্নদুনা পোৎফম ফম্বী পরেং অনী অনী ফল্লি অমসুং কাংজৈবুং মমাঙগী ফুটপাথ অমসুং জোনষ্টোন মনিংগী ফুটপাথতা পোৎফম ফম্বী পরেং অমমম ফল্লি। সেদ অমগা সেদ অমগগী মরক্তা লৈরিবা অহাংবা লম অসিদা পোৎ লৈবা লাকপা মী অনী য়াম্না ৱানা থৈনরি। মৈ লাক্তুবদি কৈথেলশঙ অসি পুন্সম মন্মী অমসুং শাবনা শ্বর ফুল্লি। কালেন থাদদি লিনসু থোরকই হায়। মফম খরদদি হান্না হৌরম্বা



পাম্বীশিংদু নিংথিজনা মখোঙ থেংনা য়ানথৎখিদবনা করিগুম্বা মতমদা উহৌদবদগী লৈমায়দগী লীখৎতুনা লৈরিবা উশিংদুদা খুদি থিদুনা তুশিনবদগী অহল ওইরবী ইমা ইবেল খরদি অশোক অপন নংবা য়াওখ্রে, খরা অমসু খুদি থিদুনা তুশিনবদগী অৱা অনা কয়া তারকখিবা য়ানা লৈরি।

মতাং অসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ইমা ইবেলশিংনা হায়বিবগী মতুং ইন্না মার্কেট সেদশিংসিদা ত্রেদৱেজ পোৎফম ফমহন্দবা, পোৎফম ফম্বীশিংগী মশা মশাগী ফমফম পীবদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পুকচেল শেংনা মথৌ তৌখিদবা অমসুং পোৎ লৈবা লাকপশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবনা মার্কেট সেদশিং অসিগী মচিন মচিন্দা পোৎ য়োল্লিবী মীওই খরা নত্তনা চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরারোমদি নোংমা নীনি খুলামখাঙ কৌদবতা নত্তনা থা হেন্না খুমলামখাঙ কৌনদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা ইমা ইবেল খরনা বি টি রোদকী ফ্লাই ওভর ব্রিদজ মখাদা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলগা আলু গলিগা ফাওনহল্লিবা ফৌওইবী ইমা কৈথেলগী অৱাংদা চৎলিবা লম্বী অসিগী লম্বীগী মতাইদা ফি য়োনবদসু মীনুংশি য়াওদনা পুলিস অমসুং আই এম সীনা কোয়তান তাল্লি।

কৈথেলশঙশিং অসিদা পোৎ য়োল্লিবী ইমা ইবেল চাম্মগী মনুংদা তরারোম শেল থুমগী ফীভম ফবা ইমুংদগী থোক্লক্লবসু চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরারোমদি শিনফম অসিদগী ফংলকপা শেন্দোংনা ইমুং মনুং পুনবা অমসুং মচা-মশু লাইরিক লাইশু তমহন্নরিবনি। শিনফমশিং অসি তৌবদা শেলেপ মথৌ তাই। অপীকপা শেনফম ওইগেরা, অচৌবা শেনফম ওইগেরা শেন্দোই কাদুনা লন্নাই মীওইদগী নৎত্রগা লন্নাই বেঙ্কশিংদগী লোন লৌরুবা ইচে ইচল অমসুং ইমা ইবেলশিংদি পোৎ শিৎতবনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা শেন্দোনবী ওইহল্লে। টেম্পরেরি মার্কেট সেদ অসিদা পোৎফম ফল্লিবীশিং অসিখক্তা নত্তনা মণিপুরদা লৈরিবা ফীশাবী লিশীং লিশীংসু অৱাবসি মায়োক্লহল্লে। পোৎ শিৎতবনা মরম ওইদুনা ইচে ইচন অমসুং ইমা ইবেল অয়াম্বদি কৈথেল কানখিদ্রে, কৈথেল কাদবদগী ৱাখল লায়না নারকপসু য়াওনরে । মতম খরগী ওইরবসু টেম্পরেরি মার্কেট সেদ অসিদা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবা ময়ামশিংদু খঙহন্নবা খোইশাওনরবা কৈথেল ফম্বী ইচে ইচল অমসুং ইমা ইবেল ৬০০/৭০০ রোম্না কুমজা ২০১৬ কী ওগষ্ট ১১ দা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনবা লাকপদা বি টি রোদতা কোংগ্রেস ভাবন য়ৌদ্রিঙৈদা পুলিসনা থৎপদগী, পুলিসকা ইন্থোক ইনশিন তৌনবদা খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল শেমগৎ শাগৎ লুপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ইমা আর কে রাধেসনা অমসুং ইমা আর কে থোইবী ৱান্থদুনা লাক্লখিবনি।

ঙসি মণিপুরদা পাল্লিবা কোংগ্রেস লৈঙাক অমসুং কন্সত্রক্সন কম্পেনি সিমপ্লেক্স ইনফ্রাষ্ট্রকচর লিমিটেদনা কৈথেলশঙশিংসি শাবদা পুকচেল শেংনা মীচম মীয়ামগী খনবীরগা মথৌ তৌরম্লবদি ঙসি ফৌওইবী ইমা কৈথেল (কৈথেল নম্বর ৩) দা পোৎফম ফল্লিবী মীওই ১২৫৩, ইমোইনু ইমা কৈথেল (কৈথেল নম্বর ২) দা পোৎফম ফল্লিবী ইমা ৮৮০ অমসুং মণিপুরদা লৈরিবা ফিশাবী লিশীং লিশীংনা মায়োক্লরিবা অৱাবা অমসুং খুদোংচাদবা ময়াম অসি মায়োক্লরম্লোইদবনি। কৈথেলশঙ অসিবু শাখিবা কন্সত্রক্সন কম্পনি সিমপ্লেক্স ইনফ্রাষ্ট্রকচর লিমিটেদতি আইনগী মতুংইন্না মরাল লৈরম্লবদি চৈরাক ফংখিবসু য়াই। অদুবু মণিপুরদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিদি এক্সপার্ট কম্মিটিনসু, সী বি আইনসু মরালগী মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীবদি খক ঙমগদবা মান্দে। মখোয়বু হেক চপ চাবা চৈরাক পীবা ঙমগদবসিদি লৈরিবা মীচম মীয়াম ঐখোয়নি। করম্না কমদৌনা মীচম মীয়াম ঐখোয়না মখোয়বু চৈরাক পীগদগে হায়রবদি লাক্লিবা ১১ শুবা মীখল অসিদনি। অমরোমদা মসিদি তশেংনা মহৌশা লাইরেম্বীনা ঐখোয়দা লৈরিবা মীচম মীয়ামগী শক্তি অদু চপ চানা উৎথোক্লবগী তাঞ্জা অমা পীবিরিবা অসিদা ঐখোয়না মখোয়বু পাড়া অমা তন্বীহৌরসি। কাউজল থিবা মীচম মীয়াম ঐখোয়না মসিমতং হন্দক কাউনদ্রগা লোইরে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪

১। ''হে নিংথি পুকতপ্পী/নঙগী ঈচেল অরংবা/পুখো ঈসে অঙাঙবা/সমুদ্র ঈমায় থুংনবা।'' কবি কনানা হায়বনো?

২। ''অঙাঙবা উচেক মচাশিংনা/থিরি মাঙখ্রবা ময়ূম্বু/অশুকপদা অমম্বদা চীংনুং মান্নুংদা।'' মসিনা কবি কনানা হায়বা ৱাহৈশিংনো?

৩। 'খোঞ্জেল থোক্তবা ৱারী' শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো?

৪। 'মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম' মিসেস গ্রীমউদকী লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনাননো?

৫। 'বুদ্ধনা তূপ্লিবা লমদুদা' লমকোয় ৱারী অসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।